ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
Refreshingly Reliable
HL
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ

যুনিভর্সেল প্রোগ্রেসিব ক্লব, খুরাই থৌদাম লৈকায় অমসুং ব্লদ বেঙ্ক এন্দ ট্রান্সফ্যুজন যুনিট জেনিমসকা খুৎ-শম্নরগা পাঙথোকপা ঈ কৎপগী থৌরম

লামায় ৩

রেভিন্যু মিনিষ্টর করাম শ্যামগী ওফিসতা এস দি সী মঙা ইম্ফাল ৱেষ্টকী সব-রেজিষ্ট্রারগী ফম পুহন্নবা লক্কী দ্রো পাঙথোকপগী শক্তম

লামায় ৩

মিনিষ্ট্রি ওফ ফূদ প্রোসেসিং অমদি ইন্দিয়ন চেম্বর ওফ কন্মর্সনা খূৎশম্ননা শীন্দুনা পাঙথোকপা ফূদ প্রোসেসিং কনক্লেব হৌদোক-পা থৌরমগী শক্তম

লামায় ৩

মশাগী অনাবা অমনা লৈখিদ্রবা নোংপোক সেকমাই পুলিস ষ্টেসনদা ভি দি এফ ওইরম্বা অমগী মচানুপীগী মিংদা একাউন্ট হাংদুনা শেলগী মতেং পীবা

লামায় ৪

Vol. 42, Issue No.093 লৈবাকপোকপা, ইঙা ১৩ নি পানবা, অপূনবা লামায় মশিং ১২ HUEIYEN LANPAO, Tuesday, June 26, 2018, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৭৩.৭০
দীজল : লিটরদা লুপা ৬৫.৫৬

মৈ মমগনি

ইম্ফাল, জুন ২৫ : থাংমৈবন্দ সিনাম লৈকায় অমদি নৈকানলোং এরিয়াদা ইলেক্ট্রিককী লাইন শেম্বগী থবক চত্থগদবা লৈবনা থা অসিগী ২৬ কী অয়ুক পুং ১১ দগী নুংথিল পুং ৩ ফাওবা থাংমৈবন্দগী মফম খরা, তরুং অমদি লম্ফেল এরিয়াদা মৈ মমগনি হায়না আই ঈ দি-২ এম এস পি দি সী এলগী মেনেজরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। ১১ কে ভি কেপিটেল প্রোজেক্ট অমদি ১১ কে ভি লম্ফেল ফীদরনা কোনবা কঞ্জ্যুমরশিংদা ৱাফম অসি খঙহল্লি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

বন্দ তৌগনি

ইম্ফাল, জুন ২৫ : লোক্তাক পৱার ষ্টেসন, এন ঐচ পি সীগী মেনেজ-মেন্টনা কন্ট্রেক্ট লেবরস/ইমপ্লোয়ী ৪৭ লৌথোকখিবদু অমুক হন্না হঞ্জিলহনবীয়ু হায়জবদা তাবীদবদগী য়ুনিয়ন্না চথরকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা থা অসিগী ২৭ কী অয়ুক পুং ৭ তগী থা অসিগী ২৯ গী অয়ুক পুং ৬ ফাওবা পুংগী ৪৮ গী নিং-থৌখোং ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	৩০.২৭ °C	২২.৯৪ °C
চান্দেল	৩৩.৪৪ °C	১৯.৪৪ °C
সীসীপুর	৩০.২৯ °C	২১.২৪ °C
ইম্ফাল	৩০.৮৫ °C	২২.৯৮ °C
সেনাপতি	২৮.৫৪ °C	১৭.৬১ °C
তমেংলোং	৩০.৫৭ °C	১৯.৭৫ °C
থৌবাল	৩২.৫০ °C	২২.৯৪ °C
উখ্রুল	২৩.৮৭ °C	১৮.০৮ °C
মণিপুর	৩৩.৪৬ °C	১৭.৬১ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৩.১৯ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.২৭
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৭
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	79.605677
US Dollar	68.112081
British Pound	90.377122
Australian Dollar	50.439116
Chinese Yuan Renminbi	10.415463
Japanese Yen	0.621005
Malaysian Ringgit	16.969548
Norwegian Krone	8.389732
Singapore Dollar	49.972540
South Korean Won	0.061091
Swedish Krona	7.675832
Turkish Lira	14.540264
Myanmar Kyat	0.04916
Bangladesh Taka	0.80823

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs 31336.90
Mumbai	–	Rs 32064.17
Delhi	–	Rs 31925.13
Kolkata	–	Rs 32192.51

HL POLL

Q : NSCN-IM ga mari leinaba bill July dagi hougadouriba parliamentta puthokkani thajabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Upu manungda uunna yomlaga purakpa ngada formalin yaowi haibasi thajaningai oibra?

Yes 93% No 07%

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

অস! লোইরেহে!

এম য়ুসি মাঙবা তারে কমদৌসিগে !

ꯑꯦꯝ ꯌꯨ ꯁꯤ ꯃꯥꯡꯕ ꯇꯥꯔꯦ ꯀꯝꯗꯧꯁꯤꯡꯒꯦ !



অঙন্বা ঙাক্তনি, অথোইবদু ওকপা নৎতনা উপাই লৈতে ... !

ꯑꯉꯣꯝꯕ ꯉꯥꯛꯇꯅꯤ, ꯑꯊꯣꯏꯕꯗꯨ ꯑꯣꯛꯄ ꯅꯠꯇꯅ ꯎꯄꯥꯏ ꯂꯩꯇꯦ...!

পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফম জুলাই ১৮ দগী হৌরগনি

সীটিজন (এমেন্দমেন্ট) বিল; আর্টিকল ৩৫ এ, ৩৭০ শেমদোকপা য়াওনা মরুওইবা বিলশিং খন্নগদৌরি

এন এস সী এন (আই-এম) গী ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী বিল পার্লিয়ামেন্টতা পুথোক্কনি হায়না পানরি।

ন্যু দিল্লি, জুন ২৫ (এজেন্সী): জুলাই ১৮ দগী ওগষ্ট ১০ ফাওবা পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফম পাঙথোক্লগনি। হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা লুচিংবা কেবিনেট কম্মিটি ওন পার্লিয়ামেন্টরি এফেয়র্স (সী সী পি এ)কী মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা নোংজু মীফমগী মতম লেপখিবনি।

হন্দক্কী মীফম অসিদা গভর্ণমেন্টনা কন্সটিট্যুসন (১২৩ শুবা) এমেন্দমেন্ট বিল, ২০১৭ পাস তৌদুনা নেসনল কম্মিসন ফোর বেকৱার্দ ক্লাসেসতা কন্সটিট্যুসনেল ষ্টেটস পীনবা থৌরাং লৌখৎকদৌরি। হন্দক্কী মীফম অসিদা সীটিং ১৮ লৈগনি। মমাং চহীগী নোংজু মীফমদদি অয়াম্বা মতমদা চরাংনবা থোকখিবগা লোয়ননা সীটিং ১৯ লৈখ্রবসু ওপোজিসন অমদি রুলিংকী মরক্তা চাওনা মুক্কবা থোকখি। মীফম অদুদা বেঙ্কিং (এমেন্দমেন্ট) বিল য়াওনা তোঙান-তোঙানবা লেজিসলেসন ১৪ পাস তৌখি। কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভাগী মীখল য়েংলগা হন্দক্কী নোংজু মীফম অসি য়াম্না মরুওইনা লৌনরি।

রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না হন্দক্কী মীফম অসিদা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগা মরী লৈনবা কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৫ এ অমসুং আর্টিকল ৩৭০গী মরমদা পূন্না খন্নগদৌরি। আর্টিকল অনী অসি শীংনরদুনা সুপ্রিম কোর্টতা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমা ফাইল তৌরকপা লৈখ্রবনি।

হন্দক্কী মীফমদা মরুওইনা খন্নগদৌরিবা বিলশিংগী মনুংদা ট্রিপল টলাক বিল, ট্রান্সজেন্দর বিল, নেসনল কম্মিসন ফোর ও বি সীদা কন্সটিট্যুসনেল ষ্টেটস পীনবা বিল, নেসনল কম্মিসন ফোর মেদিকেল এদ্যুকেসন বিল অমদি গূদস এন্দ সর্ভিসেস টেক্স লোগী এমেন্দমেন্ট বিল য়াওরি।

চৈরকসিদা, য়ুনিয়ন লো মিনিষ্টর রবি শঙ্কর প্রসাদনা হায়খ্রে মদুদি, হন্দক্কী মতাং অসিদা সোনিয়া গান্ধী, ময়াৱতি অমসুং মমতা বেনর্জীনা ট্রিপল টলাক বিল শৌগৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। লাইনিং লম্বীগা মরী লৈনদবা বিল অসি পাস তৌবা থোক্লবদি নুপা-নুপীগী মরক্তা খেন্নবা লৈহন্দবগা লোয়ননা মান্নবা রাইট ফংহনবা ঙম্লগনি।

পনবা য়াবদি, পার্লিয়ামেন্টকী হাউস অনীমক্তা হৌজিক-হৌজিক বিল কয়ামরুম পন্দুনা লৈরিবনি। হাউস অনীমক্তা পন্দুনা লৈরিবা বিলশিংদি দি কম্পেনিজ (এমেন্দমেন্ট) বিল, ২০১৬; দি নেসনল বেঙ্ক ফোর এগ্রিকলচর এন্দ রুরেল দিভলপমেন্ট (এমেন্দমেন্ট) বিল, ২০১৭; দি ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ মেনেজমেন্ট বিল, ২০১৭; দি রাইট ওফ চিলদ্রেন টু ফ্রী এন্দ কম্পলসরি এদ্যুকেসন (এমেন্দমেন্ট) বিল, ২০১৭; দি রিপিলিং এন্দ এমেন্দমেন্ট বিল, ২০১৭; দি সীটিজনশিপ (এমেন্দ-মেন্ট) বিল, ২০১৬; দি ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি (এমেন্দমেন্ট) বিল, ২০১৭ অমসুং ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

এম এল এ ১৫ য়াওবা কোংগ্রেসকী মীহুৎ ২৪গী টিম ন্যু দিল্লিদা থুংখ্রে

ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট, সীটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল অমসুং এম য়ুগী ৱাথোক্কী মতাংদা কোংগ্রেস লুচিংবশিংনা পি এম উনগদৌরি।

ইম্ফাল, জুন ২৫ (ঐচ এন এস): মথং থাদা ফমগদৌরিবা পার্লিয়ামেন্টকী মীফমদা লৈঙাক পায়রিবা এন দি এ গভর্ণমেন্টনা পার্লিয়ামেন্টতা পুথোক্লনবা হোৎনরিবা এন এস সী এন (আই-এম)গী ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকা মরী লৈনবা বিল, সীটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল, ২০১৬ অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা থোক্লিবা ৱাথোকশিং অসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর য়াওনা সেন্টরগী লুচিংবশিং উনরুনবা কোংগ্রেস এম এল এ ১৫ য়াওবা মীওই ২৪গী টিম অমা ঙসি নুংথিল ন্যু দিল্লিদা থুংখ্রে।

হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা লুচিংবা মীওই ২৪গী টিম অদুদা য়াওরিবশিংদি, এক্স দেপ্যুটি সী এম গাইখাঙম, গোবিন্দাস কোন্থৌজম, কে রঞ্জিৎ, এন লোকেন, ডো. চালটোলিয়ন অমো, ডো. টি ঐচ মৈন্য, থাংসো বাইটে, কে মেঘচন্দ্র, টি ঐচ লোকেশ্বর, এ কে মিরাবাই, এম দি ফাজুর রহিম, কে ঐচ জয়কিষন, য়ামথোং হাওকিপ, ও হেনরি, টি মঙ্গিবাবু, ডো. এন জি বিজয়, এম ওকেন, ডো. আই ইবোহনবী, ডো. কে ঐচ রতন, এম পৃথিবিরাজ, এল ইবোমচা, এল নন্দকুমার অমসুং হরেশ্বর গোস্বামিনি হায়রি।

কোংগ্রেস লুচিংবশিং অদুনা ইম্ফাল থাদোক্লমদায়দা এয়রপোর্টতা পাউমীশিংগা উনবদা ওপোজিসন লীদর ওক্রম ইবোবীনা হায়খি, খোঙচৎ অসিদা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট, প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং হোম মিনিষ্টরনচিংবা য়াওনা সেন্টরগী লুচিংবশিং অমসুং তোঙান-তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিগী লুচিংবশিং উনদুনা সীটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল, ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অমসুং এম য়ুগী ভি সীগী মতাংদা থোক্লিবা ৱাথোকশিং অসি ৱাখল তামিন্নগনি। কোংগ্রেসকী মায়কৈদগী ৱাথোকশিং অসিগা মরী লৈনবা চে-চাংশিং পীশিন্দুনা মণিপুরগী ঙমখৈদা শোক্কদবা অমসুং অপূনবগী শক্তমদা শীংনরক্কদবশিং অদুদগী ঙাকথোকহৌননবা ওপোজিসনগী থৌদাং লৌবা ওইনা খোঙচৎ অসি চৎপনি।

মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিনা সীটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল, ২০১৬; ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী মতাংদা শেমখিবা হায় লেবেল কম্মিটিনা পুখৎলকখিবা ৱাফমশিং অদু মে ৩০ দা কোংগ্রেস ওফিসতা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা মরী লৈনবশিংদা তকশিন্ননবা ৱারেপ অমা লৌখিবসু লৈখ্রে। হায়রিবা ৱারেপশিং অদু সেন্টরগী লুচিংবশিংদা তকশিনগনি হায়নসু ও ইবোবীনা মখা তাখি।

মণিপুরগী মীয়াম্না মীপাইবা পোক্করিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অমসুং সীটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল, ২০১৬ অসিনা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

‘কোংগ্রেসনা পোলিটিকেল ইস্যু ওন্থোক্লবা হোৎনরি’

ইম্ফাল, জুন ২৫ (ঐচ এন এস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী হৌজিক লৈরিবা ঈরাং অসিগী ৱারোইশিন পুরক্তুনা তংদু-লৈতাবা ফীভম লাক্লবা হোৎনরিঙৈদা কোংগ্রেস পার্টিনা পোলিটিকেল ইস্যু ওন্থোক্লবা হোৎনবা লাইবক থীবনি হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ৱাঙাংলোয় এস টিকেননা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা এস টিকেননা হায়খি, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা হৌজিক ঈরাং লৈবনা একাদেমিক এটমোস্ফেয়রদা চাওনা অকায়বা ওইরি। মুসুনসু ভি সী রিজাইন তৌ হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা খোঙজং অসি চঙশিন্দুনা লাক্লি। য়ুনিভর্সিটিগী একাদেমিক এটমোস্ফেয়রদা অমুক হন্না তংদু-লৈতাবা ফীভম লাক্লবা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবগীদমক লৈঙাক্কী মায়কৈদগী হোৎনরিবনি। এম য়ুগী ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা হোৎনরিঙৈ তাল্লক অসিদা কোংগ্রেসনা ঈরাং অসিবু হেনগৎনবা হোৎনবা লাইবক থীবনি। পোলিটিকেলগী ওইবা ইস্যু ওন্থোক্লবা হোৎনবগী ফীভম লাক্লি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ইস্যু অসিগা মরী লৈননা কোংগ্রেস পার্টিনা কম্মিটি শেম্বগী ৱাফমসু লৈরি। কম্মিটি শেম্লগা থিজিনবনচিংবা চথে হায়বসু লৈরি।

কোংগ্রেস পার্টি অসি মতম শাংনা লৈঙাক পায়রম্বদগী পায়রক্তবা অসিদা অৱাবা ফীভম অমদা লাক্লি। হূ কান্বা ৱাফম কয়া ফোঙদোকপা অসিসু য়াম্না লাইবক থীবনি। ওইদবা ৱা কয়া ঙাংদুনা ঈরাং হেনগৎহন্নবা হোৎনরোইদবনি। মখা লামায় ৩ কলম ২

কাপশিল্লকপদা নুপী অমা শিরে

ইম্ফাল, জুন ২৫ (ঐচ এন এস) : তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নুংবা পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা নেসনল হায়ৱে নম্বর ৩৭ কী সিবিলোং এরিয়াদা এন এস সী এন (কে) নি চিংনবা খুৎলায় পায়বা মীওই খরনা নোংমৈনা কাপ্লম্বদা নুপী অমা শিরে।

থৌদোক অসি ঙসি নুংথিল পুং ৩ রোম তাবদা থোকখিবনি। লৈখিদ্রবী নুপী অদুগী মমীং জেনথাইলিয়ু কামৈ (৪৩) অপোকপা মাজালান কামৈ কৌই। মহাক কন্বীরোল খুনদগীনি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়, লৈখিদ্রবী নুপী জেনথাইলিয়ু ঙসি কোহিমাদা ত্রেন ষ্টেসন শঙ্গাবগী থৌরমদা কলচরেল দান্স য়াওরুরগা বোলেরো (এম এন০১৩৩/১৩৮৯) অমদা তোংলগা ময়ুমদা ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

ওফিসরশিং তোয়না ট্রান্সফর তৌবগী মায়োক্তা এন পি ওনা সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টতা বন্দ কৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৫ (ঐচ এন এস) : মণিপুর লৈঙাক্না সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী দি সী, এস পি, ঐচ ও দিনচিংবা ওফিসরশিংবু তোয়না ট্রান্সফর তৌবা য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা নাগা পীপলস ওর্গনাইজেসন (এন পি ও) অমসুং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ফ্রন্টেল ওর্গনাইজেসনশিংনা লাক্লিবা জুন ২৭ তা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মফম পুম্নমক্তা পুং ২৪ গী টোটেল সটদাউন চত্থনবা ৱারেপ লৌখ্রে।

টোটেল সটদাউন অদু জুন ২৭ কী অয়ুক পুং ৬ তগী হৌরগা মথংগী নুমিৎ জুন ২৮ গী অয়ূক্কী পুং ৬ ফাওবা চত্থগনি হায়না নাগা পীপলস ওর্গনাইজেসনগী চেরোল অমনা হায়রি। ট্রান্সফর অমসুং পোষ্টিং চাং নাইনা চত্থরকপসিনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ঈং চীকপগী ফিভম অমসুং চাওখৎ খোঙথাংদা অকায়বা পীরে হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা চেরোল অসিনা হায়, হন্দক খ্বায়দগী নৌবা ওইনা এস পি, এম প্রদিপ আই পি এস ট্রান্সফর তৌখি। দিষ্ট্রিক্ট অসিদা পোষ্টিং তৌরকপা থা মরি ফাদ্রিঙৈদা জুন ২৩ দা থোকখিবা ওর্দর অমনা হোপসন সাপম, এম পি এসবু এস পি সেনাপতি ইন-চার্জ ওইনা মহাক্কী মহুৎ শীলহনখিবসি মরম চাদে অদুনা ওর্দর অদু খুদক্তা ককদবনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, কুমজা ২০১৭ কী ওগষ্টতগী ২০১৮গী জন্যুৱারি ফাওবদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগীনি হায়দুনা মপুং ফানা ফম শীন্নবা এস পি লৈরকখিদে। হায়রিবা মতম অসিদা এস পি ইন-চার্জ কাংপোকপীনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টপুসু য়েংশিনহনখি। তশেংনমক মসি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীয়াম্বু অচান ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

ট্রান্সফর ককখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৫ : সেনাপটি এস পিগী থৌ পুরম্বা এম প্রদিপ (আই পি এস) হন্দক্তা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী এস পি ওইনা ট্রান্সফর তৌখিবা অদু কক্লগা এস পি সেনাপটিদা পোষ্টিং পীশিনখ্রে। হীরম অসিগী মতাংদা ঙসি য়াথং অমা থোকখ্রে। কে রাধাশ্যাম, আই পি এসতা স্পেসল সেক্রেটরি (হোম) অমসুং অহেনবা ওইনা দিরেক্টর (প্রোজিক্যুসন) ইন-চার্জ ওইনা থৌ পুরগনি। হোপ্সন সাপমনা সেনাপটি দিষ্ট্রিক্ট এস পিগী থৌ পুনবা থোকখিবা ওর্দর অদুগী মহুৎতা এস পি বিষ্ণুপুরগী চার্জ পুরগনি হায়রি।

মালোমদা ৱাং ঈ সর্ভিসেস ওকিনাৱা ঈ স্কূটরগী শো রূম হাংখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৫ (ঐচ এন এস): ৱাং ঈ সর্ভিসেস ওকিনাৱা ঈ স্কূটরগী শো রূম অমা মণিপুরদা অহানবা ওইনা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী স্পিকর য়ুম্নাম খেমচান্দনা মালোম কৈথেলদা হাংদোকখ্রে।

শো রূম হাংদোকপগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা স্পিকর ৱাই খেমচান্দনা হায়খি, পুং ৬ খক ইলেক্ট্রিকতা চার্জ তৌরগা কিলোমিটর ২০০ থৌবা য়াবা স্কূটর মখল অসি ইন্দিয়াগী ওকিনাৱানা অনৌবা টেক্নোলোজি শীজিন্নদুনা মতমগা চুনবা মওংদা পুথোকখিবনি। মখল অমত্তগী পেট্রোলিয়ম প্রদক্ত শীজিন্নদবা ঈ স্কূটর অসিনা মণিপুরদা পোল্যুসন থোক-হন্ননবগী মরম অমত্তা লৈহল্লোই। অসিগুম্বা মখলগী স্কূটর অমা ৱাং ঈ সর্ভিসেসকী প্রোপাইটর ঙাঙোম চিত্রজিৎনা মণিপুরদা পুশিল্লক্তুনা মীয়ামদা খূদোল তল্লিবসি ষ্টেট অসিগী ওইনা কান্নবনি। মসি ঐখোয়না তঙাইফদবা অমা ওইনা শীজিন্নবা চুমগনি। মখা লামায় ৩ কলম ২

ঙমখৈগী হ্বাইট পেপর পুথোক্কদবনি : সুনিল করাম

ইম্ফাল, জুন ২৫ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং মণিপুর লৈঙাক্না মণিপুরগী ঙমখৈদা লৈরিবা ইন্টরনেসনল বাউন্দরি পিল্লর ৮০, ৮১, ৮২ অমসুং ৮৩ গী ৱাথোক অসি অথুবা মতমদা হ্বাইট পেপর অমা পুথোক্তুনা মণিপুরগী মীয়ামদা থমগদবনি হায়না য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম)গী প্রসিদেন্ট সুনিল করামনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুমিদাংৱাইরম পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্না হায়খি, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা ঙমখৈ ঙাকপা ঙল্লোই-দবা ওইরগনা মণিপুরগী মীয়াম্না ঙাক্লনবা শেম শারগনি। মণিপুরগী লম মীঙোন্দা পীথোক্তুনা ঐখোয়গী ইন্টিগ্রিটি অমসুং আইদেন্টিটি অসি মাঙহনবীবা তারগদি ঐখোয় হিংলুবগী ৱাহন্থোক লৈতে। মরম অদুনা মণিপুরদা লৈরিবা মীপুম খূদিংমক্না ঙমখৈ ঙাক্লনবগীদমক্তা থোরকপা মতম য়ৌরে। মণিপুরগী ঙমখৈ ঐখোয়না ...মখা লামায় ৩ কলম ২

অনৌবা ওপরেসন থিএটর তরেৎ হাংদোক্লবা ৱারেপ লৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৫ (ঐচ এন এস) : জেনিমসকী দিরেক্তরগী ওফিস চেম্বরদা ঙসি চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাং (সী এম ঐচ টি) প্রোগ্রামগী মতাংদা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ অনী লৌখ্রে।

জেনিমসকী দিরেক্তর, প্রোফেসর টি ঐচ ভিমোনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না হোস্পিটাল অসিগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রোফেসর এল রনবীর, ওর্থোপেদিক্স দিপার্ট-মেন্টকী ঐচ ও দি প্রোফেসর ইবোমচা, ই এন টিগী হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট প্রোফেসর এম মোধুমঙ্গল, সর্জরি দিপার্টমেন্টকী ঐচ ও দি প্রোফেসর এন জিতেন্দ্রা অমদি এনেসথে-সিওলোজি দিপার্টমেন্টকী এসোসিএট প্রোফেসর দা. এস থোইবহেনবনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা পাউচে অমদা ঙসি সী এম ঐচ টিগা মরী লৈননা ফোঙলকখিবা পাউ অমগী মতাংদা কুপ্না খন্ন-নৈনখি।

মীফম অদুদা কুপ্না খন্নরবা মতুংদা খঙলকপা ৱাফমশিংদি হৌজিক হৌজিক জেনিমসকী ওপরেসন থিএটর মরি মপুং ফানা মথৌ তৌরি অমসুং চয়োল অসিগী মনুংদা অতোপ্পা অমসু থবক তৌবা হৌরগনি; মোদ্যুলর ও টি অনী য়াওনা ওপরেসন থিএটর ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

ভি সী পান্দে খুদক্তা মফম থাদোক্লবা ৱাফম মুটানা শৌগৎখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৫ (ঐচ এন এস) : মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোক্কী মতাংদা খন্ননবা ইগজিক্যুটিব কম্মিটি অমসুং অখন্নবা ইনভাইটিশিংগী ইমর্জেন্সি মীফম অমা ঙসি অয়ুক পুং ১১.৩০ তাবদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি টিচর্স এসোসিএসন (এম য়ু টি এ) গী ওফিসতা মুটাগী প্রসিদেন্ট আই তোম্বনা চেয়র লৌদুনা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা মেম্বরশিংনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী হৌজিক লৈরিবা অরুবা ফিভমগী মতাংদা কুপ্না খন্নবগা লোয়ননা ৱারেপ অহুম মোত অমত্তা ওইনা লৌখ্রে। অহানবদা মীফম অদুনা হৌখিবা জুন ১৯ দা ফমখিবা ইগজিক্যুটিব কম্মিটিগী মীফমদা য়ানখিবা হায়বদি হৌজিক লৈরিবা ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসর এ পি পান্দেবু য়ুনিভর্সিটি অসিগী একাদেমিক ইন্টরেষ্টতা খুদক্তা মফম থাদোক্লবা হায়জবা হায়না মোত অমত্তা ওইনা লেপ্পরে হায়বা ৱাফম অসিবু কনফার্ম তৌবদা য়ানখি। মরম অদুনা এম য়ু টি এনা হৌজিক্কী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসর এ পি পান্দেবু খুদক্তা মফম থাদোক্লবা দিমান্দ তৌরি হায়রি।

অনীশুবদা মীফম অদুনা ভাইস চান্সেল্লরগী মায়োক্তা শীরিবা মরালশিংগী অচুম চুমদগী মরমশিং অমসুং মদুগী মতাংদা শেংদোকপগী ৱারোলশিং শুপ্পগী মনিং তম্না থবক তৌবা ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

ꯑꯣꯀꯤꯅꯥꯋꯥ
OKINAWA INDIA'S FASTEST E-SCOOTER FIRST TIME IN MANIPUR
TOP SPEED : TURBO 75 Km./Hr.
RANGE : 170 -200 Km./Charge
>>GO GREEN>>
EASY LOAN AVAILABLE
AWARD OF 2018
PRIYA ENTERPRISES
SUB - DEALER
KAKCHING BRANCH
M - 7005711857
www.okinawascooters.com
www.wangeservices.in
m no. 8974249014/9862797402
ꯋꯥꯡ ꯏ ꯁꯔꯚꯤꯁꯦꯁ
WANG E SERVICES
THOSE WHO WISH TO BE SUB DEALER PLIZ CONTACT DEALER AT IMPHAL
MALOM BAZAR IMPHAL WEST
HL-P/3375/25/6-24/07

Aptech LEARNING
Unleash your potential
IMPHAL CENTRE
YAIPHAKOL Building
Singjamei Parking
www.aptechlearning.com
7085440528
Available Courses
Air Hostess (Cabin Crew)
Airport Ground Staff
Travel & Tourism Management
Hospitality Mgmt.
SPOKEN English (Speech, interaction).
Certified COMPUTER Courses.
MS Office, C, C++ programming.
Website Development (HTML5/php).
FACILITY :
In-house Airport Operation Training
Lowest FEE
Get TRAINED Get HIRED
Our Potential Recruiter :
JET AIRWAYS
30 Years of experience | 40 Countries
Imphal or Mumbai, we maintain the same Quality
HL-P/4002/10,12,14,16,18,19,20/06-06/07(alt)

Instant TV Loan Opportunity
for
WORLD CUP
2018
Get Low Price for Direct Purchase
And also available :-
VEHICLE LOAN / SERVICE LOAN
PENSION LOAN / GOLD MORTGAGE
AREA COVERED:
Imphal East
Imphal West
Bishnupur
IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O. Loklaobung B.O. M.G. Avenue,Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on http://www.imphalfinancesociety.in
HL-B/4691/13/06-13/07